ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ১২, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৭০শুবা মশীং

# কোংগ্রেসকী ভারত বন্দ

## *পোলিটিকেল পার্টিনা বন্দ তৌবসু লোনা য়াফম থোক্তে*

**মালেমগী** চাওখৎপগী লমজেলদা ব্রেক ওইনা লৈরিবা বন্দ অমসুং ব্লোকেদ হায়বসি মণিপুরদা শুংতৌমক তৌদবা য়ারোইদ্রা হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলনা য়াম্না তোয়না হংলিবা ৱাহং অমনি। শেন্মীৎলোনগী ফীভমদা য়েংলগসু, মীওইবা খুন্নাইগী তঙাইফদবা হীরম কয়াদা য়েংলগসু বন্দ, ব্লোকেদনা পীরিবা চৈথেং অসিদি অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তনি। লায়রবা মীয়াম্না ফংবা চৈথেং অমসুং ইনাক খুনবা মীয়ামদা পীবা চৈথেং অনীগী মরক্তা খেন্নবা লৈরগসু মশীং য়াম্বা কাঙবুদা শাথীনা শোকহল্লি হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা খূদম অমনি। মখোয় অদুদি, অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং থিদনা অপীকপা থাগী তোলোপ খরখক পীরগা হোটেলদা, ৱার্কশোপ্তা নৎত্রগা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা ওৎপী-নৈবীদুনা থবক শূহল্লিবা শিন্মীশিং অসিনি। মখোয়দি নোংমখক বন্দ তৌদুনা থোঙ লোল্লগনি খনবদা ফাওরিবা নুংঙাইতবা অদুদি মখোয়তনা খঙগনি। য়ূম পুরিবা শূরগা চাবা মীওই লাখ কয়াদদি বন্দ, ব্লোকেদনা পীরিবা চৈথেং অসি মপান নাইদে হায়বা য়াই। ইন্দিয়া দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি। মীওই খরা নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ খরগী পেন্দবা ফোঙদোকপা নৎত্রগা মখোয়গী ৱাকৎশিং লৈঙাক য়ৌহন্নবা পান্বে অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্নে। চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অদু চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মওংসু হোংদোক-হোংজিন লৈফম থোকই। মহাত্মা গান্ধীনা লৈবাক অসিবু বৃটিশকী খূৎতগী নিংতম্বা পুরক্লনবগীদমক চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা জেল থলহল্লু, থুমগী অন্দোলন, দান্দি মার্চ, হর্টাল, মীরৈবাক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নদবগী খোঙজংশিং অদুগী মতৌ হৌজিকসু তমদুনা লৈবা মতম ওইদ্রে। মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লিবা য়ু এস এ, জর্মন, ফ্রান্স, ইংলেন্দনচিংবদা মীয়ামগী অপান্বা ফংহন্ননবনি হায়দুনা নোংমতা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবা থেংনদে। তৌবদদি মখোয়সু প্রোটেষ্ট মখল কয়ামরুম চৎখে। লম্বীগী মতায়দা কনামত্তদা অপনবা পীদনা প্লেকার্দ পায়রগা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা চৎনৈ। অসিগুম্বা মখলগী প্রোটেষ্টশিং অসিদি মীয়ামদা অকায়বা পীদে। অদুবু, মখোয়না মীৎয়েং চঙহন্নীংলিবা মরী লৈবা ওঠোরিটিশিংদদি অচৌবা চৈথেং অমা পী। অসিগুম্বা প্রোটেষ্টশিং অসিদি লৈবাক অদুগী লোনা য়াই। ইন্দিয়াগী লোনসু য়াগনি। অদুবু, চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা ইন্দিয়াদা নৎত্রগা মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা কৌখিবা বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেদশিং অসিদি মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা মরম্না লোনা য়াদে হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে।

লৈবাক অসিদা পেট্রোল, দিজল অমসুং চাকথোং গ্যাস য়াওনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিংগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপগী মায়োক্তা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) অমসুং মসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শৌগৎতুনা সেপ্টেম্বরগী ৯ অমসুং ১০গী লোন্নবা অহিংদগী সেপ্টেম্বর ১০গী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা ভারত বন্দ তৌখ্রে। বন্দ অসি লৈবাক শীনবা থুংনা তৌবা মরম্না মফম অয়াম্বদা মীয়াম্না খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখ্রে। কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ইন-চার্জ অমমম্, ২/২ হাপ্তুনা ষ্টেট খূদিংমক্তা থারগা বন্দ অসিবু মায় পাক্লনবা হোৎনবগী খূদম ফংখি। বন্দ অসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা কৌবা অতাঙবা মখলগী বন্দনি হায়না লৌরবসু য়াই। অমরোমদনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাংওইননা কোংগ্রেসনা মসিগী মপাঙ্গল চাংয়েং তৌবনি হায়না লৌবসু য়াই। অদুবু, বন্দ অসিনা মণিপুরদা লৈবা মীয়ামদা খরমখৈদি অকায়বা পীখি হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা খূদম চাংদম কয়ামরুম লৈ। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা মফম কয়ামরুমদা কোংগ্রেস ৱার্করশিং থোক্লক্তুনা লম্বী থিংখি। অচৎ-অওক তৌবশিং হলহনখি। ইম্ফালদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, এক্স চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী য়াওনা পার্টি অসিগী মরুওইবা মীওই কয়ামরুম্না বি জে পি লৈঙাক্কী থৌশিল মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। কাংগ্রেসনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা কৌখিবা বন্দনা মীচম-মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে হায়বগীদমক অসামগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট অমনা পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখি। সহাই কৌবা এন জি ও অমগী প্রসিদেন্ট রাজু মহন্তনা মোরিগাওন সদর পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরদুনা মীচম মীয়ামদা কোংগ্রেসনা অৱাবা পীরে হায়না ৱাকৎলকপনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৪ দা মুম্বাইদা বি জে পি অমসুং শিব সেনাগী এক্টিভিষ্টশিংনা বন্দ, ব্লোকেদ চৎথদুনা মফম অদুগী মীয়ামদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। থৌওং অদু লন্নাই মীওই খরনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কায়নথংদা বন্দ কৌরিবা কাঙবু অদুদা ফাইন থীহনখি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা বন্দ কৌবগীদমক মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎলগা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা কৌবা বন্দনা করিগী তুমিন্না তোক্কদৌরিবনো। বন্দ, ব্লোকেদ লৈহনগুমসি হায়রগদি চপ মান্নবা লো অমগী মখাদা ইন্দিয়া পূম্বদা থবক তৌগদবনি হায়জনিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### ইদ-উল-অজাহবুসু প্রেস হোলিদেদা য়াওহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হুইয়েন লানপাউ** পাউচেগী সেপ্টেম্বর ৩, ২০১৮গী মনুংগী লমায়দা য়াওখিবা মণিপুরগী কেলেন্দর (থাপালোন) অমদি দাইরি হায়বা অমা থেংনজরুবদগী করিগুম্বা খরা ফোঙদোকচনীংদুনা ইজরিবনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকীসু ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন দিপার্টমেন্টনা গভর্ণমেন্টকী হোলিদে অমদি ফেষ্টিবেল হোলিদে লিষ্ট য়াওনা ফোঙবিরি। লোয়না লোয়ননা প্রেস (মিদিয়া) কাঙবুগীসু হোলিদে লিষ্ট ফোঙবীরি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবদি হিন্দু লাইনীং, মৈতৈ/মীতৈ চৎপা কাঙবুগীসু ফেষ্টিবেলশিং হোলিদে লিষ্টতা লোইনা য়াওরি। খৃষ্টেন কাঙবুগীসু খৃষ্টমাস, ন্যু য়র অমদি গুদ ফ্রাইদে হোলিদে লিষ্টতা য়াওরি। অদুবু ইস্লাম চৎচবা কাঙবুগী ফেষ্টিবেলসু তাংজবা মখোয়গীদি ইদ-উল-ফিটরখক্তমক ওইহনবীবা অসি তৌবীগনু। ইদ-উল-অজাহবুসু প্রেস হোলিদেদা য়াওহনবীয়ু ।

*অদোমগী - মোইরাংথেম জোগেশ্বর*
*ককচীং খুলেন মোইরাংথেম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১। মৈতৈগী কাঙজৈরোন্দা শগোল কাঙজৈ শান্নবা নিংথৌ কাংবগী হাক্তক্তা হৌখি হায়রি।
(ক) অহানবদুদা খূৎ কয়ানা মীচঙ অমা ওইখিবগে?
(খ) কাঙজৈরোয়না কোকয়েৎ য়েৎপসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা হৌদোকখিবগে?
২। "কপ্তুনা কান্নরোই/কনাসু নুংশিরোই/মদো কনায় খুজিন্নোদো।" পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। 'চিংনাং খোংনাংথাবা' হায়বসি অশেংবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি। দ্রামা লাইরিকসিগী অইবা অদু কনানো?
৪। "ফূদদি, মানা পিবানি হায়দনা পংতৌ তৌবা য়াবরা? ফূনি, ঐদি ফূদৌরিবনি।" ৱাফমসি এম কে বিনোদিনীগী 'বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী' উপন্যাসতা সনাতোম্বীনা খুল্লিবনি। কনাদনো মানা খুল্লিবসি ?
৫। লিও টোলষ্টোইগী 'কোসাক' পু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোক্লোয়দু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অনৌবা লাকপা ৱাফম

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

**থা** খরা অসিদা মণিপুরদা থোক্লিবা অনৌ-অনৌবা ৱাফম কয়াশিং অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামগী পূক্নিংদা মীপাইবগা লোয়ননা লৈতাদবা অমা কন্না লৈরি। পোলিটিকেল ওইবা ৱাফম ঙাক্তা ওইবনিনা, লন্নাই মীওই অমতনা মশাগী ওইবা পূক্নিং ৱাফম খরা অদুক পংহায় হায়বা নত্তনা থোক্লিবা ৱাফমশিং অসিগী ওইবা ৱারোইশিন অমদি নীংথিনা তাশিন খোমজিন্দুনা লোইশিনবা ঙম্বা অমত্তদি ওইদে। লাক্লিবা ৱাফমশিং অসি অমমমনা লৈবাক কায়বা য়াবা ঙাক্তনি। অদুবু ৱাফম অসি কাঙবু খরনা য়াম্না লুনা লৌই, খরা অমনদি কৈসু লৈতবা ৱাফম ওইনা ইয়াঙ য়াঙনা লৌবা উবা ফংই। অরুবা অমদি অরাইবা ৱাফম কয়াশিং অসিগী মরক্তা লৈরিবা মীয়ামশিং অসিগী পূক্নিংদদি অমনা হায়রসু অমনা হায়রসু অনীমক ইথা থাজদবা মানবা অমা অদুম পোক্লরি। অমনা হায়বসু অদুম চুম্লোই নীংবা, অমনা হায়বসু অদুম লান্দবোই নীংবা কয়াশিং অসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদা তংদু লৈতাদবা অমদি লেংদনা অদুম লৈহল্লে। অসিগুম্বা কয়াশিং অসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদা খোইরাং খোইশাওনবা অমদি ওইহল্লে।

লাক্লিবা অনৌবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মরুওইবসি ১) বোর্দর পিল্লরগী ৱাফম ২) ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফম হায়রিবশিং অসিনি। ৱাফম অনী অসি ফাগী তৌবা য়াবা অমত্তদি ওইদে। করিমত্তা থোইদোক্লা অকায়বা লৈত্রগদি ফরে। ৱাকাই ওইরকপা য়াবগী ফীভম লাক্লবদি মসিদি মণিপুর মৈ চাক্কদবা ৱাফম ঙাক্তনি। অহানবগী ৱাফম অসিনি লুরিবসি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পিল্লর অসি করিসু অকায়বা লৈতে হায়বা অসিমদি য়াম্না নাখৈ শেংনা পার্লিয়ামেন্টতা ফাওবা মরী লৈনবশিংনা অকায় করিমত্তা লৈতে, ইন্দিয়ারোমদা লম হেনজিল্লকপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লৈখ্রিবা ৱাফম অদু কয়া য়াম্না চুম্বা ৱাফমনো হায়বদু থোইদোক্লা লুনা খন্দনা হেক্তা হায়খিবা মানবা অমা লৈরি। মরমদি ক্বাথা খুঞ্জাও অমদি খুনৌদা খুন্দারিবা মীয়ামগী ৱাফম তারগা ম্যান্মারনা ইন্দিয়াগী লম হেঞ্জিন্না পিল্লর য়ুংশিল্লে হায়বসিমদি তশেংনা চুম্বা মাল্লি। মসি মমাঙদা লম অদুদা চৎতুনা খুঞ্জাশিং উনরুবগী পাউদম ফনা য়াম্না থম্নখ্রে। ঙসি ৱারেং অসি ইজরিবা ইশামকসু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮, থাংজ নুমিত্তা মফম অদুমক্তদা চৎতুনা খুঞ্জাশিং ঈংনা তপ্লা উনদুনা ৱারী শানরুই। মফম অদু য়েংলুই। অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিংদসু হংলুই। মখোয়গী মান্নবা ৱারোলশিং তারগা মফম অসিদা য়ুংলিবা পিল্লর অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাখৈ শেংনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট খঙনা য়ানরোল অমগী মখাদা য়ুংখিবা নত্তে হায়বা অসিমদি নাখৈ শেংলে। য়ুংলিবা পিল্লর অসিগী ৱাংমদা লম কয়া অমা মণিপুরগী মীয়াম্না হান্ননা খুন্দা লৈতাদুনা মতম শাংনা লৈরম্মী হায়রি। হৌজিক্তি খুন খরা অমদি ম্যান্মারগী লম ওইখিবতা নত্তনা খুঞ্জাশিং য়াওনা নমদুনা ম্যান্মারদা তিনখিবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি। মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা মীওই মঙামুক্লা ৱারী শানবদা ঙসি ফাওবদা মখোয় মশা খঙনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ওফিসিএলশিং লাক্তুনা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ অসি অসিফাওবনি হায়না নাখৈ শেংনা য়েংশিল্লরবা অমদি লেপথোক্লবা লৈত্রি হায়না পাউদম্লকখি।

ইন্দিয়া হায়বসি ঙমখৈগীদমক ৱাথোক-লান্থোক, মীশি-মীনা কয়া য়াওখ্রবা, হৌজিক ফাওবদা ঙমখৈ ঙাকপদা লুপা ক্রোর লিশীং-লিশীং হেন্না থাদদুনা লান্মী কয়া থাজিন্দুনা কন্না ঙাক শেনবতদা মকোক ঙাওরিবনি। অদুবু ৱাফম অসি মায়কৈ খরখক্তদনি। মণিপুরদা ম্যান্মারনা ঙমখৈ লানশিন্দুনা উচুক য়ুংশিল্লরবা অসিদা থোইদোক্লা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মায়কৈদা নাখোং শাদবগুম্না থেংনরি। ইরায় লায়না কিলোমিটর কয়া লানশিল্লকপা হায়বসি ইন্দিয়ানা কোম্না থাদোকপনি হায়বসি নাখৈ শেংলকপদৌনা উরি। মরমদি লম খরদা হায়বদি ষ্টেট খরদদি চীংদুম মচা অমা হেন্দোক হেঞ্জিন তৌরে হায়বগীদমক নোংমৈ মরূ অমদা লাক্ষ-লাক্ষ তাবা কয়া অমা নোংমদা মশীং খঙদনা কাপ্পী। ঙমখৈ শেন্নবগীদমক মথৌনা ফরবা, হৈ-শিংলবা লান্মী কয়া অমা থাজিন্দুনা লানবন কয়া শেমগৎতুনা তোলোব চাউনা চাউনা পীদুনা থল্লি। অদুতা নত্তনা মমল তাঙলবা মখল কয়াগী খূৎশু খূৎলায় কয়া মপান লৈবাক্তগী লৈশিন্দুনা থল্লি। পুং ২৪ চূপ্না নোংমৈ মচিন কয়া এইম তৌদুনা কনা অমত্তা হেনজিল্লক্তনবা শেন্নদুনা লৈরি। মণিপুরগী ঙমখৈদা লানশিল্লকপা অসিদি ইন্দিয়াগী লম নত্তব্রা? মসিদদি ইন্দিয়াগী লান্মী অমত্তনা ঙাক শেল্লদ্রি। মমাঙঙৈদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না ঙমখৈ ঙাক শেল্লম্মী, অদুবু মরম খরদি লৈরম্বা য়াই, বি এস এফ লৌথোক্লগা অসাম রাসফলসকী লান্মীনা ঙাক শেন্দুনা লৈরি। অসাম রাইফলশিংদি ঙমখৈ ঙাক্লবা লৈবা নত্তে। লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা লৈবনি। মখোয়গী খোঙহাই চাবা মফমশিংদা লৈশিন্দুনা লালহৌবা থেংননবা মচি-মচিদা লুমদুনা লৈরিবনি। মখোয়গী থবক্তা বি এস এফকী থবক্তা য়াম্না খেন্নে। অদুনা থোইদোক্লা মখোয়না ঙমখৈগী মতাংদা থৱায় য়াওদবগুম্না মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা ঙাইহাক লৈতনা পিল্লর হোংদোক হোংজিন তৌব্রা হায়বগী থাজবা য়াবসু লৈতবা নত্তে। ঙমখৈগীদমক ইন্দিয়ানা লুপা তরা পীবা নোংমৈ মরূ অমফাওবা কাপ্তুনা, নাওরি মরূ অমফাওবা কাপ্তুনা চহী হেক খুদিংগী লম তকশিল্লকপা হায়বসি লায়বক থীবনি হায়গদ্রা করিনি হায়না লৌবা য়াবগে?

অনীশুবা লাক্লিবা ৱাফম অসিনা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট হায়বসিগী মতাং অসিনি। অসিসু মপান লৈবাক্কী নৎত্রবসু ষ্টেট মনুংগী ওইবা ঙমখৈগা মরী লৈনৈ। অমরোমদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা শিংচেপ-নুংচেপ থাজিন্দুনা অপূনবগী শক্তম কায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। কনাগুম্বা অমগী হিষ্টোরি রিকগনাইজ তৌবা, কাঙলূপ অমখক্কী অপূনবা শাগৎনবা হোৎনবদা মচেৎ তানবগী য়ূম্ফম থোনবা ওইনা থোক্লবদি মদুগী তুংদা লাক্কদবা খুদোংচাবা চাদবা কয়া অদুদি ৱাখলনা লামশিনবদা থোইদোক্লা অকিবগী মশকনি। মণিপুরদা লৈরিবা লৈনুংদা ফংলিবা পোথোক কয়াশিং অসি মীতাবা মানবসু য়াওরি। লৈনুংদা লৈরিবা মমল তাঙলবা পোৎলমশিং অসি মীকানবদা লৈবাক কায়বা য়াবগী ফীভম লাক্লবদি মদুগী অসুপ্পা থৌদাং অদু কনানা লৌগনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা মরুওইনা তেংনৌপল, চান্দেল, উখ্রুল অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টশিংগী লৈনুংদা লৈরিবা পোথোকশিং অসি মমল অতাঙবা অমদি ইন্দিয়া হায়রিবা অসি মালেমগী লৈবাক কয়াগী মরক্তা ইনাক-কৈরাক খুনবা য়াবা লন-থুম কয়া অমা লৈরিবনি হায়বসিমদি তশেংনা চুম্মে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ম্যান্মাররোম থংবদা লৈরিবা মফমশিংদগী হৌরগা অঙ্গো চীংশাংনা কোল্লিবা মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা লমশিংদা ফংলিবা য়োৎ শুংবা য়াবা নূং মখল (ক্রোমাইট) কয়া মরাং কায়না ফংবগী খুদম লৈরি। অসুম্না মফম খুদিংদা লৈরিবা লৈনুংগী পোৎলম কয়াশিং অসি কল্লক্লবদগী ওনরসিপ তানবনসু থোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিগী শিংচেপ ওইরম্বসু য়ারিবনি।


ফ্রেমৱর্ক অসিগা মরী লৈনবা মানবা মওংদা হন্দক্তা এমসুগী মহৈরোয় অমদি আর্টিষ্ট কাঙলূপ অমদা খূৎ থারকপা, ফিমুন-শেনমুন তৌরকপা অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। মসিগী মরুমদা করি লৈরিবগে হায়বা ৱাফম হকচিন্না লৌফম থোকই। মমাঙগী গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈগী মতমদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লীংনবগী মতাংদা ৱাফম কাংলুবদা চীংগী চিংনরিবা মফমশিংদা ঈরাং হৌখিবা লৈখি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু কম্মান্দো থাজিনখ্রে থিবা হুম্বা চথুরি হায়বা পাউ লৈরি। মসিগী মখা তারকপদা মায়কৈ অদোমগী মীয়ামদগী লাক্লিবা ৱাফমশিং অসিসু মমাঙঙৈ অমদি ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিগা ইশম শম্নব্রা হায়বা অদুসু চিংননীংঙাই ওইরি। খুদিংমক অরায়বা অমত্তদি নত্তে। য়াকা য়েংনা য়া কারিঙৈদা খৌনাওদা হয়িং চঙবা খঙদে হায়দু তাদৌরিব্রা চেকশিনফম থোকই।

লাক্লিবা অনৌবা ৱাফমশিং অসি লৈবাক অসিনা তরাইনা লৌবা য়াদবা অমা ওই। কৈসু তৌরোই হায়না সুম লৈথোকপা তারবদি লমসু মাঙনি। মীশি কায়নগনি। মাঙলবা অমদি কায়নরবা মতুংদা ঈহৌ হৌবনদি করিসু কান্নবা পুরক্কনি হায়বা থাজদে।


# অকোয়বগী ফীভমদা মোৎহন্দবা মওংদা লংবু সাইজিং অমসুং দিসাইজিং তৌবা



দাঃ রবিন্দ্রন (ময়াই) অমসুং খোঙলোয় অনি




সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদকী ফেজ তাকপা গ্রাফ



সুক্রোজ ওক্টাএসিটেটকী ষ্ট্রকচর




কার্বোন দাইওক্সাইদ মহী অমসুং সুপরক্রিটিকেল শীজিন্নদুনা সাইজিং অমসুং দিসাইজিং তৌবগী মওং তাকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**
**কুঞ্জো নাওরেম**

**ঈশিং** হায়বসি শীজিন্নদবা শুকয়ামক য়াদবনি অদুবু শীজিন্নগদবা অফবা ঈশিং (ফ্রেস ৱাটর) গী চাংদি য়াম্না নেমখ্রে। অসিগুম্বা ঈশিংগী চাংসি লৈরিবা অপূনবা ঈশিংগী ৩% য়ৌদে। য়ামখিদ্রবা ঈশিংগী শরুকসিদগী খরদি ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎ, কেমিকেল অমদি হীদাক-লাংথকশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রিদগী থাদোরক্লিবা অরেমখাকশিংনা মোৎহনবদগী শীজিন্নবদা খুদোংচাহন্দে। ইন্দষ্ট্রিশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী ঈশিং মোৎহল্লিবসি টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিনি। টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিদা রো মেটরিএলদগী লং শুংদোরকপা, মচু শংবা অমসুং লংদগী ফি ওইহল্লকপদা ঈশিং অমসুং কেমিকেল কয়ামুক শীজিন্নৈ। খুদম ওইনা লশিংদগী লং শুংদোরক্লবা মতুং ফি ওইহন্দ্রিঙৈদা সাইজিং তৌই অদুগা দিসাইজিং তৌই।

সাইজিং তৌবা হায়বসি লংদুগী মশক ফজনবা, কন্ননবা হায়বদি তৎপা খোৎপা লৈতনবা অমসুং ফ্রিক্সন হন্থহন্নবগীদমক সাইজিং এজেন্টশিংগী মরোল অমা তৈশিনবনি। মোদিফাইদ তৌরবা চনাং, পোলিভিনাইল অলকোহোল (পি ভি এ), কার্বোক্সিমিথাইল সেলুলোজ (সী এম সী) অমসুং এক্রাইলেৎকুম্বা কেমিকেলশিংসি মহৌশানা সাইজিং এজেন্ট ওইনা শীজিন্নৈ। মসিনা ফি শারকপা মতমদা, মাইক্রোফাইবরশিংনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। থায়নদগী চৎনরকপা থৌওংদদি, চনাংগা ঈশিংগা য়ানশিন্নরগা সাইজিং তৌই। মসিদা ঈশিংগী চাং য়াম্না দরকার ওই। সাইজিং লোইরবা তুংদা লেমহৌরিবা ঈশিংদুনা অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংশিংদা য়াম্না মোৎহল্লি। অদুনা সাইজিংগী থৌওংসিদা ঈশিংগী মহুৎ শিনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা হেন্না শোকহল্লোইদবা অতোপ্পা পোৎ অমা শীজিন্নবগী মথৌ তারকপদগী য়ুনিভর্সিটি ওফ কলিকটকী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমেষ্ট্রিগী থিজিল্লুপ অমনা থিজিন্দুনা লাকখি। মখোয়না মতাংসিদা 'দ্রাই প্রোসেসিং'গী মরমদা কোক থাদবা হৌরকখি। মখোয়গী থিজিনবসিদা ঈশিংগী মহুত্তা কার্বোন দাইওক্সাইদ হায়রিবা গ্যাসসিবু মহিদা ওন্থোক্লগা শীজিন্নবদা মায় পাকপা ঙম্লকখি। মখোয়না কার্বোন দাইওক্সাইদতা তুম্বা ঙম্বা অনৌবা কেমিকেল অহুমবু চাংয়েং ওইনা শীজিন্নরগা সাইজিংগী থবক পাঙথোক্তুনা য়েংখি। চনাংগী মহুত্তা শীজিন্ননবা চাং য়েংখিবা কেমিকেল অহুমদুগী মনুংদা সুক্রোজ ওক্টাএসিটেটনা খ্বাইদগী ফবা মহয় ফংহনবা ঙমখি হায়না থিজিনবসিদা লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলিকটকী ডোক্তর পুভাথিন্থোদিয়িল রভিন্দ্রননা 'এ সী এস সষ্টেনেবল কেমিষ্ট্রি এন্দ এঞ্জিনিয়রিং'গী পাউদম অমদা ফোঙদোক্লি।

মখোয়গী চাংয়েংসি মরুওইনা লশিং অমসুং পোলিএষ্টরগী ফাইবরশিংদা পাঙথোকখিবনি। মখোয়না ফাইবর অনীসিদা সুক্রোজ ওক্টাএসিটেট (চুদগী ফংবা চিনিদগী শেমদোক্লগা ফংলকপা) সাইজিং তৌবা মতমদা ফাইবরশিংদু তনানলকপা, লংখৎলকপা অদুগা লংগী শরুক অনী হেনগৎলকপসু থেংনখিবগা ওইনা শারকপদা হেন্না নুংঙাইবসু ফংখি নুংঙাইরিবা অমনা, মসিগী লংসিনা নুংশিৎ-নুংশানা মাঙ তাকহনবদগী ঙম্বগী চাংসি অতৈ অতোপ্পা পান্থৈনা তৌরবা শাবা লশিং অমসুং ফিশিংদগী শরুক অনীরোম হেল্লি

মহৌশানা সাইজিং তৌবগী থবক্তা ঈশিংগা চনাংগা য়ানশিন্নদুনা শীজিন্নৈ। মসিগী থবকসিদা ঈশিংগী চাং য়াম্না দরকার ওই। ঈশিংনা চোৎলবা লং নৎত্রগা ফিদু কংহন্নবগীদমক এনর্জি দরকার ওই। অদুবু কলিকট য়ুনিভর্সিটিগী থিজিল্লোয়শিংনা কার্বোন দাইওক্সাইদ মহী শীজিন্নবগী কাঙলোনসিদদি কংহনবগী মথৌ তাদে মরমদি মসিগী থৌওংসি দ্রাই প্রোসেস অমনি। কার্বোন দাইওক্সাইদ গ্যাসপু প্রেসর কন্না পীশিল্লগা কার্বোন দাইওক্সাইদ মহী ফংবা য়াই। মখোয়গী সাইজিং তৌবগী থবকসি লোইরবা মতুংদা, কার্বোন দাইওক্সাইদ মহীগী প্রেসরসি গ্যাস ফেজ প্রেসরদা হন্থহল্লি। মতমসিদা কার্বোন দাইওক্সাইদ মহীনা গ্যাস ওল্লক্লগা খুদক্তা লংদুবু কংনা থনম্মী হায়না ডো. রভিন্দ্রননা ফোঙদোক্লি।

সাইজিং তৌদুনা ফি ওইনা শাখ্রবা তুংদা, দিসাইজিংগী থবক অমুক তৌই হায়বদি সাইজিং এজেন্টশিংদু ফিদুদগী লৌথোকই। মসিনা ফি ওইরক্লবগী পাঙথোক্লিবা থবকশিংদা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিংবু মথৌ ফজনা তৌহনবগা লোয়ননা মচু শংবগী থবক্তা অয়েৎপা পীদে। হান্না শীজিন্নরম্বা কাঙলোনশিংদা, দিসাইজিং তৌদুনা সাইজিং এজেন্টশিংবু লৌথোকপদা ঈশিং শীজিন্নৈ। মসিগী থবক্তা শীজিন্নরিবা ঈশিংসি সাইজিং এজেন্টশিংনা মোৎহল্লি হায়বদি অমোৎপা ঈশিং য়াম্না পুথোকই। অসিগুম্বা ঈশিংসি রিসাইক্লিং তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা য়াই। করিগুম্বা রিসাইক্লিং তৌদ্রগনা ফ্রেস ৱাটরগী চাং হন্থহল্লিবনি।

কলিকটকী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোরক্লিবা কাঙলোনসিদা, দিসাইজিংগীদমক ঈশিংগী মহুত্তা সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদ ওইনা শীজিন্নৈ। সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদ হায়বসি ক্রিটিকেল প্রেসর অমসুং ক্রিটিকেল টেম্পেরেচরদা নৎত্রগা মসিগী মথক্তা লৈবা ফ্লুইদ অমনি। ওর্গানিক সোলভেন্টশিংগা মান্নদবা মওংদা, সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদসি মৈ চাক্তে, রিএক্সন কয়া থোক্কন্দে, হুগী মগুন চেন্দে অমসুং অতৈ সোলভেন্টশিংগা চাংদম্নবদা মমল হোংই। ঈশিংগা চাংদম্নবদা কার্বোন দাইওক্সাইদ মহী অমদি সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদকী ভিস্কোসিটি অমসুং সর্ফেস টেন্সন নেম্মী। অদুগা সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদকী মোলিক্যুলর দাইফ্যুজন্না কার্বোন দাইওক্সাইদ মহীদগী শরুক ১০ হেল্লি। মোলিক্যুলর দাইফ্যুজন হেনবসিনা ফ্লুইদতুদা মোলিক্যুলশিংনা লেংবগী চাং হেল্লি, অদুনা সাইজিং এজেন্ট লৌথোকপগী থবক্তা হেন্না কান্নহল্লি। অসুম্না লৌথোক্লবা সাইজিং এজেন্টশিংদু সুপরক্রিটিকেল কার্বোন দাইওক্সাইদতা তুমদুনা লৈখি, হায়বদি ফিদুদগী লৌথোকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কলিকটকী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা কাঙলোনসিগী খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইরিবদি, মসিনা অকোয়বগী ফীভমদা মোৎহনবা লৈতে, অদুগা কার্বোন দাইওক্সাইদ অমসুং সাইজিং এজেন্ট (সুক্রোজ ওক্টাএসিটেট) অনীসিনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদে মরমদি মখোয়সি হন্না হন্না রিসাইকল তৌবা য়াই। মখা তারকপা ওইনা থিজিল্লোয়শিংনা মখোয়গী প্রোসেসসি হেন্না খুন্মাং চাওশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা পাইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎননবা থৌরাং য়াৎপা হৌখ্রে।